# নেশনল শুটিং চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়ারুবশিং তরাম্না ওকখ্রে

**থৌবাল, জন্যুৱারী ১৮ (ঐচ এন এস):**




নেশনল রাইফল এসোসিএশন ওফ ইন্দিয়া (এন আর এ আই)না শীন্দুনা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর লোইরমদাই অমদি চৎলিবা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা ন্যু দেল্লি অমদি ভোপালদা পাঙথোকখিবা ৬৮ লক শুবা নেশনল শুটিং চেম্পিয়ন্সিপ কম্পিটিসন (এন এস সী সী) ফোর ২০২৫-২৬তা শরুক য়ারুবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংবু পুক্নিং থৌগৎপা উৎতুনা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি মণিপুর মাক্সমেন ক্লবনা শীন্দুনা খোঙজোমগী সোল্ট ভিলেজদা লৈবা স্লোপলেন্দ পব্লিক স্কুলগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দিপ্যুটি কম্মিস্নরময়াংলম্বম রাজকুমার, এদ্যুকেসন (এস), মণিপুর ষ্টেট প্রোজেক্ট দিরেক্টর, সমগ্র শিক্ষা মণিপুরগী দিরেক্টরসু ওইরিবা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেশন মণিপুরগী চ্যেরমেন ভোগেন্দ্র মৈতৈ, থার্দ বট্টলিয়ান আই আর বিগী কম্মান্দেন্ট সরাংথেম হেমন্ত অমদি স্লোপলেন্দ পব্লিক স্কুল ট্রষ্টকী ফাউন্দর চ্যেরমেন ডা. নহাকপম ববুলিন মৈতৈনা মরুওইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ইন্দিয়ান ট্রায়ল টিম জি আই ১ এন্দ ২গী জজসু ওইরিবা অসিস শর্ম্মা (আই এস এস এফ (বি-জ্যুরি)) য়াওনা চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা শরুক য়ারুবা শান্নরোয় ২৫ রোমদা খুদোল পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখিবা থৌরম অদুদা ৱাং ঙাংলদুনা দি সী ময়াংলম্বম রাজকুমারনা হায়, মণিপুর রাইফল এসোসিএশন অমদি মণিপুর মাক্সমেন ক্লবকী মীহুৎশিং পুন্না ফম্মীন্নদুনা শুটিংগা মরী লৈনবা মশান্নশিং অসিগী করি করি চাওখৎ থৌরাংশিং পায়খৎপা য়াবগে হায়বদু পুন্না খন্নমীন্নসি। দিপ্যুটি কম্মিস্নর অমা ওইনা মহাক্কী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাংগে হায়না মশান্না অসিবু পামজরিবা শুটরশিংগী পুক্নিংসু থৌগৎখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অদু রাইফলস ইভেন্টকী ওইনা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ১১দগী ৩১ ফাওবা ভোপালদা পাঙথোকখি। অদুগা পিষ্টোল ইভেন্টশিংগী ওইনা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ১১দগী হৌরগা থা অসিগী ৪ ফাওবা ন্যু দেল্লিগী কর্নি সিংহ শুটিং রেঞ্জদা ৬৮ লক শুবা নেশনল শুটিং চেম্পিয়ন্সিপ কম্পিটিসন (এন এস সী সী) ২০২৫-২৬ চথখিবনি।

# এস এল ৱাই ওনা ঐচ আই এস য়ু থোইরগা ৱিন্নর ওইখ্রে

**থৌবাল, জন্যুৱারী ১৮ (ঐচ এন এস):**



দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন (দি এফ এ) থৌবালনা শীন্দুনা থৌবাল নিংঙোম্থমদা লৈবা মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরকখিবা অহুল্লকশুবা এল চন্দ্রকিশ্বর মেমোরিএল ফষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়নন্না লোইশিনবা নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এস এল ৱাই ও তেকচমনা ঐচ আই এস য়ু মেলা গ্রাউন্দ থোইরগা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

পুন্না টিম ৫না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ৪দগী চথরকখিবা টুর্নামেন্ট লোইশিনবগী থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরিগী থৌসু পুরিবা দি এফ এগী ফাউন্দর মেম্বর লাংপোকলাকপম সবেনন্না অথোয়বা মীথুংলেন, দি এফ এ থৌবাল অমদি দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক এসোসিএশন থৌবালগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা হান্নগী দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিসর মুতুম মনি অমদি অথোকপম গ্যাস এজেন্সিগী প্রোপ্রাইটর লোয়নন্না দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক এসোসিএশন থৌবালগী ট্রেজরর ওক্রম বুধিনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী শান্নখিবা অরোয়বা ১০ শুবা মেটচতা এস এল ৱাই ও তেকচমনা ঐচ আই এস য়ু মেলা গ্রাউন্দবু পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখিবনি। এস এল ৱাই ওগী পাঞ্জল অনী অদু মেটচ অদুগী ৪৩ অমসুং ৬৭ শুবা মিনটতা মথংশিংনা টিম অদুগী শান্নরোয় মালেমঙানবা অমদি এল মনিমতুমনা অমমম চনখিবনি।

# অয়াবা য়াওদনা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াদনবা খঙহল্লক্লি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৮ (ঐচ এন এস):**

মণিপুরদা লন্নাই ওইনা লিংখৎলিবা জিমশিং, ক্লবশিং, প্রাইভেট সেক্টরশিং নত্রগা ইন্দিভিজ্যুএল ফার্মশিংনা ওল মণিপুর পৱার লিফটিং এসোসিএশনদগী মাঙজৌননা অয়াবা লৌদনা টুর্নামেন্টশিং পাঙথোক্তনবা খঙহল্লকখিবগা লোয়নন্না এসোসিএশন অসিগী মখাদা রেজিষ্টার তৌরবা শান্নরোয়শিংনসু অসিগুম্বা টুর্নামেন্টশিং অসিদা শরুক য়াদনবা চেকশিন ৱা থল্লক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ওল মণিপুর পৱার লিফটিং এসোসিএশনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা খুৎয়েক পীদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, পৱার লিফটিং অসি রিকগনাইজ তৌরবা স্পোর্টস সিদিপ্লিন অমনি অমদি পৱার লিফটিংগী থবক থৌরম পাঙথোক্লবা রাইট অদু রেজিষ্ট্রার ওফ সোসাইটিগী মখাদা রেজিষ্টার তৌরবা ষ্টেট পৱার লিফটিং এসোসিএশন অসিনত্তনা অতোপ্পদা লৈতে। মরম অদুনা মাঙজৈননা ষ্টেট এসোসিএশনগী অয়াবা য়াওদনা পাঙথোক্লন্বা চেম্পিয়ন্সিপ অদু অন-ওথোরাইজ ওই হায়না লৌগনি । মসিগী মথক্তা করিগুম্বা অয়াবা য়াওদনা পাঙথোক্লিবা চেম্পিয়ন্সিপতা মখা তানা শরুক য়ারম্বা থোক্লবদি তুংদা লাক্কদবা ষ্টেট নত্রগা নেশনল চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়াবগী অথিংবা থল্লক্কনি। মসিদগী চেকশিন্না লৈনবা পৱার লিফটিং এসোসিএশন অসিগী মায়কৈদগী মখা তানা খঙহল্লক্লি।

# মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবীনবা অপিল তৌরক্লি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৮ (ঐচ এন এস):**

হৌজিক মণিপুরদা মৈতৈ শগোল হায়না খঙনরিবা শা মখল অসি মুৎখিদনবা অমদি য়োকখৎতুনা থম্নবা মণিপুর পোনি এন্দ পোলো প্লেয়র ৱেলফেয়র এসোসিএশনননা কন্না হোৎনদুনা লাক্লিঙৈ চৈরক অসিদা মমাঙ চহীগী ওক্টোবর ২৫দগী হৌরগা হৌজিক ফাওবদা শগোল ৫০ রোম হুরানখ্রে হায়বগী চাওনা চীংনবা লৈরে। হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী ওথোরিটিনা থবক পায়খৎপীনবা অপিল তৌরক্লি।


**VEHICLES LOAN / PENSION LOAN / EMPLOYMENT NEWS**

# 2/3/4 Wheeler Loan and Used Car ফংবীগনি।
# State/ Central Pensioner শিংগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% p/m গী Interest তা পীজরি।
# Employment News : Office Asst. (Graduate + upto 32 yrs), 2 Wheeler Mechanic, Mechanic Helper, Car Wash Helper, Chicken Centre Helper 2/2, Tyre Fitting Helper অমসুং চেক্কী Mistry, Jugali পামজৈ।
# 2 Wheeler used vehicles exchangeসু ফংবীগনি।

*Please Contact :* **L.G. Motors**
Khagempalli Huidrom Leikai,
Mobile No. : # 9362775475 / #8414081916

HL-B/10030/25 Nov. to 23 Jan. Alt

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1711**

**WFM Katarzyna Dwilewicz (2185) - GM Mariya Muzychuk (2475)**
**World Blitz Women 2025 Doha QAT, 2025.12.29**

1.e4 c5 2.Nf3 Nc6 3.d4 cxd4 4.Nxd4 Nf6 5.Nc3 e5 6.Ndb5 d6 7.Bg5 a6 8.Na3 b5 9.Bxf6 gxf6 10.Nd5 f5 11.g3 fxe4 12.Bg2 Bg7 13.Bxe4 Be6 14.c3 O-O 15.O-O f5 16.Bg2 Rb8 17.Nc2 Ne7 18.Ncb4 Nxd5 19.Bxd5 Qd7 20.Bxe6+ Qxe6 21.Nxa6 Rbc8 22.Nb4 Rc5 23.a4 bxa4 24.Qxa4 f4 25.Qa2 d5 26.Rad1 f3 27.Nxd5 Kh8 28.Kh1...

**QUESTION : Black to win**

**Puzzle 1710 Solution :**

**31. Bd3 Qe8**
*31...b5 32.Qf5 g6 33.Qe5+ Rg7 34.Qxg7#*
*31...Qd8 32.Qh5 h6 33.Qg6 Qxd7 34.Qh7#*
*31...Qc8 32.Qe4 g6 33.Qd4+ Rg7 34.Qxg7#*
**32. Rxg7 Rf8**
*32...Rxg7 33.Qxe8+*
*32...Qxe5 33.Rxh7#*
**33. Rxh7+** *Double check* **Kg8 34. Qg7#** *Damiano's rook mate*
*34.Qh8#Lawnmower mate Damiano's rook mate*
**1-0**

**SBI**
State Bank of India
Central Recruitment & Promotion Department
Corporate Centre, Mumbai
Phone: 022-22820427
Scan QR to Apply

**Recruitment of Specialist Cadre Officers on Regular / contract Basis**

Applications are invited from eligible Indian citizens for the following post on Regular / Contract basis:

**Advertisement No.: CRPD/SCO/2025-26/22 (Contractual position)**

| Name of Post | Vacancy | Age (As on 31.12.2025) Min | Age (As on 31.12.2025) Max |
|---|---|---|---|
| Vice President (UX) | 1 | 40 | 50 |
| Dy. Vice President (UX) | 1 | 36 | 44 |
| Asst. Vice President (UX) | 1 | 32 | 40 |
| Senior Special Executive (UI & UX) | 3 | 28 | 37 |

**Advertisement No.: CRPD/SCO/2025-26/22 (Regular Position)**

| Name of Post | Grade | Vacancy | Age (As on 31.12.2025) Min | Age (As on 31.12.2025) Max |
|---|---|---|---|---|
| Deputy Manager (UI & UX) | MMGS-II | 6 | 25 | 35 |

For eligibility criteria (age, qualification, experience, job profile etc.), vacancy details, requisite fees, other details and for online submission of application as well as online payment of application fees log on to Bank's website **https://sbi.bank.in/web/careers/current-openings**. Refer detailed advertisement to ensure eligibility and other details before applying and remitting fees. For any query, please write to us through link **"CONTACT US" → "Post Your Query"** which is available on Bank's official website (https://bank.sbi/web/careers/post-your-query)

- **DATE FOR FILING ONLINE APPLICATION & PAYMENT OF FEES: FROM 16.01.2026 To 05.02.2026.**

**Place:** Mumbai
**Date:** 16.01.2026 HL-B/11136/19 **General Manager (RP & PM)**







Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com